ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুলাই ২৪, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১১৬শুবা মশীং

# অরানবা মওংদা কোলিষ্টিন শীজিন্নবা থিংলকপা

## য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলকপা থৌরাং পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি

মীওইবনা চীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নরিবা শা-ঙাগী মচীঞ্জাক শেম্বা অমসুং ঙানু-য়েন লোইবনচিংবদা 'কোলিষ্টিন' কৌবা এন্টিবাইওটিক মখল অমা শীজিন্নবা য়াহন্দনবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রিনা দ্রগ্স এন্দ কোসমেটিক্স এক্ট ১৯৪০গী মখাদা নোটিফিকেসন অমা থোকখি। জুলাই ২১ দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না পোলট্রি অমসুং এক্বা ফার্মিং, লোয়ননা শাগী মচীঞ্জাক শুংবদা এন্টিবাইওটিক মখল অসি শীজিন্নবনা মীওইবদা কা-হেন্না খূদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়রি। দ্রগ্স এন্দ কোসমেটিক্স এক্ট ১৯৪০গী সেক্সন ২৬(এ)না পীবা মতীক ময়াই শীজিন্নরগা মিনিষ্ট্রিনা 'কোলিষ্টিন' হায়রিবা হীদাক মখল অসি শুংবা, য়োনবা অমসুং শীজিন্নবা খূদক্তগী অথিংবা থম্লে হায়না নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোক্লি। মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই অমা দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ওইবা বেক্টেরিয়ানা মরম ওইরগা অরুবা ফীভমদা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা অরোইবা পান্বে ওইনা এন্টিবাইওটিক মখল অসি থারগা লায়েংবগী থৌওং চৎথে। অনা-লায়েংগী হীরমদা তঙাইফদবা মতমদা শীজিন্নগদবা এন্টিবাইওটিক মখল অসিবু কনাগুম্বনা অরানবা মওংদা পোলট্রি ইন্দষ্ট্রি অমসুং এক্বা ফার্মিংদা শীজিন্নবা মরম্না এন্টিবাইওটিক চঙদবা মহীক মখল কয়া থোকহল্লক্লবগী মরম ওইহল্লি হায়নসু হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াদা দ্রগ রেজিষ্টেন্সকী খূদোংচাদবা ওইহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা কনাগুম্বনা ঙানু-য়েন লোইবা অমদি ঙা য়োকপদা হীদাক মখল অসিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নবা হায়বসিসু অমনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট অমনা হায়, অনা-লায়েংগী হীরমদা অসুক্কী মতীক কান্নরবা এন্টিবাইওটিক মখল অসিবু কনাগুম্বা মীওই খরনা অরানবা মওংদা শা-ষণ, ঙানু-য়েন অমসুং ঙাগী মচীঞ্জাক শুংবদা শীজিন্নবা মরম্না দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ওইবা মহীক মখল কয়া থোকহল্লক্লবগী মরম ওইরি। মীওইবনা চান্নরিবা ঙানু-য়েন অমদি শা-ঙাগী মচীঞ্জাক শুংবদা 'কোলিষ্টিন' শীজিন্নবা য়াহন্দনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী থৌরাং অসি অচুম্বনি হায়না সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্ট (সী এস ঈ)না ফোঙদোক্লি। সী এস ঈগী দেপ্যুটি দিরেক্টর চন্দ্র ভুসননা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মীওইবদা মহীক-মতাইনা থোকহনবা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা এন্টিবাইওটিক চারবসু থোইনা কান্নবা ফংদবগী মওং অমা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা উবা ফংলিবসি অরানবা মওংদা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবনা ওইহল্লকপনি হায়রি।

কনাগুম্বনা ঙানু-য়েন লোইবা অমসুং শা-ঙা য়োকপদা অতেনবা মতমগী মনুংদা মপুং-মরৈ ফাহন্নবনি হায়দুনা 'কোলিষ্টিন' য়াওবা মচীঞ্জাক পীজৈ হায়রিবসি খূদোংথিনিংঙাইনি। শেন্দোং খক্তবু লাইনীং ওইবা মীওই খরনা পুথোরকপা ঙানু-য়েন অমসুং শা-ঙা লৈরগা চারুবা মীওইশিংদা করিগুম্বা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা তোঙান-তোঙানবা মখলগী হীদাক-লাংথক থারবসু ফীভম ফগৎহনবা ঙমদবগী খূদোংথীবা মায়োক্নে হায়রি। ইন্দিয়াদসু মতম কয়াগী মমাঙদগী কনাগুম্বনা পোলট্রি, এক্বা ফার্মিং অমসুং শাগী মচীঞ্জাক শুংবদা এন্টিবাইওটিক মখল অসি শীজিন্নরগা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হোৎনদুনা লাকপগী মওং অমা উবা ফংলি। দ্রগস টেক্নিকেল এদভাইজরি বোর্দ অমসুং নেসনল এন্টিমাইক্রোবাইয়ল রেজিষ্টেন্স এক্সন প্লান কম্মিটিনা থিজিনবদা ঙানু-য়েন অমসুং শা-ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংনা অতেনবা মতমগী মনুংদা মপুং-মরৈ ফাহন্নবনি হায়দুনা 'কোলিষ্টিন' শীজিন্নরম্বা থেংনখি। মপান লৈবাক্তগী পুশিল্লকপা 'কোলিষ্টিন' টন কয়ামরুম ইন্টরনেসনল অমদি দোমেষ্টিক ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনি কয়ানা প্রেস্ক্রিপসন য়াওদ্রবসু য়োল্লি হায়রিবসি লাইবক থীবনি। কনাগুম্বনা অরানবা মওংদা এন্টিবাইওটিক শীজিন্নবনা মালেমদা এন্টিমাইক্রোবাইয়ল রেজিষ্টেন্স (এ এম আর)গী চাং ৱাংখৎলক্নে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ইন্দিয়াগী ওইনসু কুমজা ২০১৪দা সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ ইনভাইরনমেন্টনা চৎথখিবা সর্ভেদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওইবনা চানবনি হায়দুনা য়োল্লিবা শা-ঙা অমসুং মনা-মশীং কয়াদা 'কোলিষ্টিন' য়াওরম্বা থেংনখি। চাওখৎ-লমজেলদা মাঙজিন থাখ্রবা অমেরিকা অমসুং য়ুরোপকী লৈবাক অয়াম্বদা অথিংবা থমখ্রবসু ইন্দিয়াদা শা-ঙা অমসুং ঙানু-য়েনগী মচীঞ্জাক শুংবদা 'কোলিষ্টিন' শীজিন্নবগী মওং অমা উবা ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, মীওইবদা অরুবা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লায়েংনবগী অরোইবা পান্বে ওইনা শীজিন্নরিবা 'কোলিষ্টিন'বু কনাগুম্বা খরনা অরানবা মওংদা শীজিন্নরকপা মরম্না মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিগী অথিংবা অসি মণিপুরদসু মপুং ফানা চৎনহন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি

### স্কুল ফগৎহনসি মিসন অমদি স্কুলশিং পূনশিন্নবা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

কম্মিস্নর ওফ এদ্যুকেসন্না জুন ১২, ২০১৯দা থোকখিবা স্কুল ২৩৭ পূনশিন্নবগী ওর্দর নম্বর ২/১/২০১৯-এস ঈ (এস) অদুগী সেরিএল নম্বর ২৭তা য়াওরিবা Bhairodan Maxwell Hindi Primary and High School অসি পূনশিন্নবগী মতাংদা ৱাফম খরদং থমজরি। মদুদি স্কুল অনীসি হেদ অমমমগী মখাদা কেম্পস অমতদা লৈমিন্নবনি। পূনশিন্নবদা করিসু অকায়বা লৈতে। হৌজিক প্রাইমারিদা মহৈরোয় ২০০গী মথক্তা তন্লি অদুগা হায় স্কুলদা মহৈরোয় ১০০গী মথক্তা তন্লি। তৌবতবু লোকলগী মহৈরোয়দি মশীং কয়া য়ামদে। অয়াম্বনা মপান্দগী লাকপা লায়রবা শিন্মীশিংগী মচা-মশুনা অয়াম্বনি।

ঐহাক্না থমজনীংবা ৱাফমদি - স্কুল অনীসি থঙ্গাল বজারগী ময়ায় ধর্ম্মশলাগা হেক তাইননা লৈবা স্কুলশিংনি। অদুবু স্কুল অনীসিনা লৈরিবা কেম্পস অসিদি য়াম্না পিকপা, খাদগী অৱাংলোমদা শাংলবদা ফুট ১৪০ মুক অমসুং নোংপোক-নোংচুপ্তা পাল্লবদা ফুট ৮০ মুকখক চাউবা কেম্পসনি। চাউথোকফমসু ইঞ্চি অমা ফাওবা লৈত্রবনি। অদুনা অসিগুম্বা মফম অসিদা হায় স্কুল থন্বা হায়বসি মতম অসিগা য়াম্না চানদ্রবরা খঞ্জে। মরমদি হায় স্কুল অমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর হায়বসিদা মতিক চাবা প্লেগ্রাউন্দ অমা, মহৈরোয় ২০০/৩০০ চনগদবা হোল অমা, প্রী-প্রাইমারিদগী (চীফ মিনিষ্টরগী মত মতুংইন্না হাপচিল্লক্লবদি) ক্লাস টেন ফাওবা তম্নবা য়ামদ্রবদা মহৈরোয় ৩৫/৪০ থন্বা য়াগদবা ক্লাস-রুম ১১, ষ্টাফ অমদি মহৈরোয়শিংগী গাড়ী থম্ফম শেদ, লাইব্রেরিগী কা, মতমগী মতুংইন্না কম্প্যুটরগী কা, মহৈরোয়শিংগী তোঙান তোঙানবা টোইলেটশিং, মীওই ২০০/৩০০গী চাক থোংনবা মফম (মিদ-দে-মিলগী), থক্ন-চানবা ঈশিং থম্নবা মফম, ষ্টাফ অমদি হেদকী ফম্ফম কাশিং, মতমগী মতুংইন্না ঙম্লবদি জিমগী কা অসিনচিংবা মথৌ তারক্কনি। অদুনদি হায়রিবশিং অসি হৌজিক লৈরিবা কেম্পসকী স্পেস অসিদদি লাইমক লাক্তুনা শিল্লবসু ওইথোক্করোই।

অরোইবদা ঐনা থমজনীংবদি - হন্দক স্কুলশিং পূনশিন্নবগী অফবা খোঙথাং অমা লৌখৎলক্লিবা অসিদা তুং-কুইনগী খল্লগা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা হায় স্কুলগী সেক্সন অসি খ্বাইদগী নক্নবা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি নৎত্রগা খুয়াথোংদা লৈরিবা থাংমৈবন্দ-তোম্বীসন্না হায় স্কুল অসিদা পূনশিনখ্রগা মহৈরোয় ২০০গী মথক্তা লৈরিবা প্রাইমারি স্কুল অসিনা হান্নগী কেম্পস অসিদা প্রী-প্রাইমারিগী ক্লাস হাপচিল্লগা Two-Storaged Building গুম্বা শাবিরগা প্লান তৌদুনা Full Swing Primary School অমা ওইনা থন্বীরল্লবদি মীনসু য়াবা, লাইনসু য়াবা মীয়ামগী য়াইফবা খোঙথাং ওইগদরা খঞ্জে। মরম অদুনা হীরম অসিদা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর অমদি ওনরেবল কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা লমদম অসিগী অখঙ অহৈশিংগীসু মত পীবিরক্লবা হায়জরি।

*অদোমগী- শ্রীচিংথাম চন্দ্রমনি*
*থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকায়, ইম্ফাল*

# অচৌ-অশাংগী গাড়ী হোর্ন



Pratap Sarangi, Minister of Animal Husbandary & Diary না সিফাই অমত্তা য়াওদনা খুঙ্গংদা দিভলপমেন্ট তৌনবা য়েংবা চৎপা।



Arjun Ram Meghawal, Minister of State, Water Resources না সাইকলদা পার্লিয়ামেন্টতা চৎপা।

তুংদগী হৌনা-হৌনা, শাংনা-শাংনা খোঙলকপা গাড়ীগী হোর্ন অদুনা ঐবু খংপ্রেক খংহল্লি। লম্বীগী মতাই ওইরপনা মতাইদা থৌদুনা ঐগী ইথৌ পাংবা চৎচরিবা চমজরবা ঐগী থম্মোয়দা শাথিনা মীপাইবা অমা পোকহনখি। অদুক য়াম্না কন্না মী চিনবমক্তি নত্তে। অদুবু লম্বী পিকপনরা কৈনো লম্বী চৎপসি হৌজিক্তি অরুবা অমা ওইনরে। মাঙদা চৎলিবা গাড়ীনা করিগুম্বা অমগী ব্রেক ফারকপদা তুংদা চৎলিবা গাড়ীদুসু লেপ্পা তাই। অসুম্না মথং-মথং লেপ্পরকপনা পরেং শানা লেপ্পগা মাঙগী গাড়ীনা চৎখিবা ঙাইনরিবনি। অদুবু সিগী লুরবা ফীভম অসিদা ঐদি অথুবগীনি হায়দুনা চোংখৎলগা নৎত্রগা পাইখৎলগা চৎপা য়াবদি ওইদে। অদুম তৌগে হায়রগনা চোপ্পর অমা নৎত্রগা কৈনো এরোপ্লেন মচা অমা তোংলগা চৎপা নৎত্রদি কৈসু পান্বে লৈতে।

পান্বে লৈতে হায়বসি খঙনা খঙনা হৌজিক মণিপুরদা লম্বী চৎলিবা অচৌ-অশাংশিং অসিনা তৌরিবা মওং অসিদি য়াম্না হঙ্গোইনীংঙাই ওই। মখোয়গী ৱাখলদা অমদি মখোয়বু পুরগা থৌরিবা দ্রাইভর অদুগী ৱাখলদা করিনো নাপল য়াম্না ৱাংবা অমা কারগা চৎপদৌনা তৌবা অমা থেংনরি। সিদি চান্মগী মনুংদা অনী অহুমগুম্বা য়াওরম্মোইদ্রা খঙদে। অয়াম্বনদি লোইনা তৌই হায়না হায়জবসিবু শাথিনা লানবা তাগদ্রা? অপঙবা ঐখোয়নগা থেংনবদদি অয়াম্বনা তৌই। নোংমা ওন্থোক্না পেনখিদ্রবা থৌদোক অমা থোকই। ঐনা ওফিস কারকপগী লম্বীদনি, উরিপোক সোর্বোন থিঙেল ফাওরগা লম্ফেল তাবা অদুক কা হেন্না পংচাউ চাউদবা লম্বীদুদনি। লৈরকলোমদগী হাইদোরকপা গাড়ীশিং অমদি মায়োক্লনা লাল্লিবা গাড়ীশিংগী মরক্তা পন্থোক-পনশিন অমা তৌবদগী নোংমদু গাড়ীসি পরেং শানা খামদুনা লৈবা নুমিৎ অমনি। ঙাইহাক পন্নরগা, লম্বীদু চৎপা য়ানরকপগী তাঞ্জাদুদা, গাড়ীসি মচি খরা খরা লেংবা হৌনরক্লে। ঐসু লেংঙে, অদুবু মাঙদা পরেং লেংদুনা লৈখিবনা থুরে হায়দু ঙাই চৎপা য়াদদুনা খজিক খজিক চৎনরি তাঞ্জানি। তুংদগীদু খরবুদি চাউরবা মী মাল্লি, হোর্নসি অঙকপা ফংনা শাংনা-শাংনা হৌনা-হৌনা খোংলকই। ঐ মহাক্না হোর্ন খোংলি হায়দুনা কৈসু তৌবা ঙমদে। ঐখক্তং খোংবান্দা তারসু তানা কুমথজরগে হায়ববু মাঙদা লৈরিবা গাড়ীশিং অদুনা মাগী অচৌবা মমল তাঙলবা গাড়ীদুবু চৎপা য়ারোইদবনা কৈসু মতেং পাংজবা ঙমখিদে। মসি মাগী অশাউবীদু খম থেংলবা মাল্লি। হোর্নসি য়াম্না শাংনা লেপ্তুনা খোঙলকই। মী কৌবনিনা ঐসু করিনোনে তৌরিসিবো হায়না তুং হন্না য়েংলুই। মদুদদি মানা অমুক্কা হেন্না শাউনা খোংলগা কৈ কৈনো গাড়ী মনুংদা লাউ খোংলি। ঐনা য়েংবদা গাড়ীদু ডোক্তর অমগীনি, মাগী গাড়ীদুদা ডোক্তরগী এমব্লেম অমা থেৎলি। ঐনা ৱাদি হায়দনা খূৎনা পাইখৎলগা চৎলু হায়না সাইন তৌই। মদুসু মা লেপ্তুনা অদুম খোংই। ঐসু অমুক্কা হন্না খূৎসিনা ঐগী ইথকসি লাল্লো অদুগা পাইরগা চৎলো হায়না অমুক্কা তৌই। মা নিংথিজনা শাউরবা মাল্লি, মানা খঙদবনি, ঐসু শাউরবনি হায়বসি। গাড়ী কোমথরকপা অদুদা মানা থৌগৎলগা ঐনা চৎলিবা মপা ওইরপনা গাড়ীদু তপথরগা ৱা খরা হায়, ৱাদু ঐনা ময়েক শেংনা তাবা ফংদে, অদুবু ঐবু চৈবনি হায়বদি খঙই। মসিদি পাড়া অমা তন্বীহৌদবা য়াদে হায়দুনা ঐসু গাড়ীদু খরা কল্লপ লৈখৎতুনা থৌরগা মাগী মমাঙদা ওইরপনা খাম্মী। অদুগা ৱাফংনৈ। মহাক মীনগদি কয়া মশক খঙদবা ডোক্তর অমা ওইবজাৎনি। ঐবুদি মানসু, মীনসু ইখঙ খঙবা মীনি। অদুদা মানা কারিবা নাপলনা ঐ ডোক্তরনি, ডোক্তর অমা লাক্লবদি হন্দোকউ য়াদ্রা হায়বা অদুগী ৱাখল্লোনদুনি। মাগী ৱাখল্লোন্দু ঐ শাথিনা নোক্নিংই। ঐনা হায়খি, লম্বীসি ঐনা থৎপা নত্তে, ঐদি গাড়ী মচানি, মতাইসিদা থৌজরিবসিনি ডোক্তর সাহিব, মাঙদা লৈরিবা গাড়ী ময়ামসিনা অদোম কৈসু চৎপা য়ারোই, অদুসু ৱাখল খনবীরদি ফগদবনি হায়না হায়। মী খরা চঙশিল্লক্লগা ৱাদু তাবদা ডোক্তরদু ফনা নিংথিনা চৈবিখি। ঐ মাগীদমক ইকায়বিখি, ডোক্তরনি হায়না মানা য়াম্না চাউজরুবদি মীয়ামগী অমদি ঐগী থম্মোয়দা ফাওরিবা অদুনা মহাক্কী নাপল অদু শাথিনা তেখি। অদুবু মাদি মঙক থেকৎলগা গাড়ীদু য়াঙনা থৌগৎখি।

ৱারেং অসি ইজরিবা নুমিৎ, ঙসিসু থবক কারকপগী লম্বীদা মিনিষ্টর নৎত্রগা এম এল এগুম্বা অমনি, মাঙদা পুলিস থাবা জীপসি অমা অমদি মতুংদা অমগনা চপ্পগা য়াম্না কিনা চৎপা খোঙচৎ অমা থেংনবগী ৱারীনি। অচৌবদুগী গাড়ীদু অমুবা মচুগী অশাংবা অৱাংবা অতাঙবা কারনি, মমিংগদি খঙজদে। মিংশেল অমুবা টেন্টেদ গ্লাসশিংদু শিনবা থুংনা লৈখৎলি। অদুগা মনুংদা তোংলিবদু কনানো হায়বা উবা ফংদে। মানদি ইঙান ঙান্না উরমগনি। উরিপোক থোং অৱাংবা লাম্থরকপদগী হৌনা মাগী গাড়ীদুনা খোংবা হোর্নসি অরোইবীনি। ময়ামসি কৈসু থোইদোক্না থৌ ৱা শাদনা অদুম চৎনৈ, মানা খনবদা মাগী হোর্ন মখোলদুদা ময়ামসি চেন্থোক্নরগা মতাই মতাইদা হাইদোল্লগা মাগী লম্বী পীগনি হায়না খল্লম্বা য়াই। জীপসি মমাঙ অমদি মনীংদা তোংলিবদু পুলিসতি নত্তে। আই আর বি নৎত্রগা এম আরগুম্বা ওইরম্বা য়াই। মোইনা মখূৎ-ও মশা-ও লাউবগা খোংবগা মওং অমগী লান মচা অমা লাকপদৌনা তৌই। মী ময়ামসি অসুক্কী মতিক শাউনৈ, ঐদি গাড়ী মচানি, মতাইদা হাইদোল্লগা মোই মতৌদু য়েংই। অদুগা ৱাখলদা খল্লি, মোইগীসি ইরায় লায়না মমাঙগী জীপসিসিদা মাইক মচা অমা ত্রাফিক পুলিসকী অদুমাইনা পাল্লগা, এম এল এ লাকএ... মিনিষ্টর লাকএ... হায়না লাউরগা চৎলদি ময়ামসি খরা ফগদ্রা? মোইনা হোর্ন শাংনা পংখোংদা খোংলগা মখোয়দৌসু থিৎপা, মীনসু হন্দোকপীদবা অসুমাইনা তৌদৈ শরুক মাইক পাল্লগা চৎপনা ফগনি খল্লি। কৈদৌগে কয়ামুক থুবা থবকনো। হোস্পিটালগী লম্বীসিদা চৎনরিবা ময়ামসি মোইদগী হেন্না চিনবা মী য়াওরিবনি হায়সি মোইনা খঙদে। অনাবা অকনবগী, হীদাক লৈনবা শেল পুরুবগী, অথুবা পাউ পীরুবগী অমদি অতৈ অতৈ কয়াগী অথু-অকায় ময়াম অমা চৎনরিবনি। অদুইসু মথক্তা হোর্ন খোংলগা চৎপা য়াদে হায়বসু লৈরিবনি। মোইনা তৌরিসিদি ঐদি অচৌবা ওইবগী নাপল কাবনি হায়না লৌদে। মোইসি মীনগা নোংমৈনা কাপশিল্লক্তৌ মানবা, বোমগা লংশিল্লক্তৌ মানবদগী গাড়ী য়াঙনা য়াঙনা থৌরগা চৎতবা য়াদবা ওইনা উই। ইশম শম্না কিবগী থৌবনি হায়না খল্লি। অদুক য়াম্না কিদৌ লৈরদি এম এল এ, মিনিষ্টর ওইদবনা ফৈ হায়নগা খল্লকপা য়াওই। মোই-মোইনা হয়েং ফম পায়দ্রকান, মশা অহল ওইশিল্লক্লবা কান্দা, মীনা অমুক মোইদা অদুমাইনা তৌবিরদি মোই য়াম্না নুংঙাইরোইদা হায়সি খলহন্নীংই। মোই মতৌসিদি অহল লমন কয়া মীহুন চেনখৎনরিবনি। অহলশিংদি লম্বীদা গাড়ী মচা তোংলগা চৎসি হায়বা য়াদবা য়াম্না য়াওনরে। এম এল এ, মিনিষ্টরগী গাড়ী থেংনরগদি মীহুন চেনখৎলি হায়দুনা। নোংমসু কংলা পার্কলোমদা খুয়াথোং তান্না চৎচবা অহল অমা ৱান্থবা য়াওখ্রে। মদুসু মিনিষ্টর অমনা হাইদোরক্লগা লাউ খোঙলগা লম্বীদা চৎলিবা ময়ামদুদা উরাও-থরাও তৌবদুনা লম্বীগী মতাইদা চৎচবা অহল অমা মীহুন চেনখৎখিদুনা লম্বীদা ৱান্থুবনি। খরদি হেল্লবনি মতৌসে, অদুমাইনা তৌরগা হেন্না চাউদৌদি নত্তে, মদু অচৌবনি হায়না লৌদে। থায়না নিংথৌ লাকপা লম্বীদা ছাতিন তুপ্পগা চৎপা য়াদে হায়দু হৌজিক্কী মতমসিগদি য়াম্না চানদ্রে। মসিদি চম্মীখে মীনা নুংশিবনি, নাপলনবু ৱাতোন-উতোনদৌনা ৱাংলদি কৈসু নত্তবা ক্বাক অমা লাক্লগা মতোন্দুদা ফমথরকপদা কোনবনি হায়বসি অহল-লমন্না ঐখোয়দদি তাকপীরকই। মদু য়াম্না নীংশিংলকই। ●


চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

# য়োৎচাবী মহী : কোন্থোক-কোনশিন য়াবা রোবোটকী মঙ

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**







য়োৎচাবী নৎত্রগা মেগ্নেটকী কান্নবসি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরে হায়না লৌবা য়াই । চহীচা কয়াগী মমাঙদগী মেগ্নেটিক নিদল/কম্পাসপু মায়কৈ তাকপদা শীজিন্নরম্বদগী, সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মসিবু মাইক্রোফোন, স্পিকর, মোটোর, জেনেরেটর, মেগ্নেটিক টেপ রেকোর্দর, ..., হৌজিক্কী মতমদা অনা-লায়েংদা য়াম্না কান্নবা পীরিবা এম আর আই (মেগ্নেটিক রিজোনান্স ইমেজিং) ফাওবা লৈরে। চাংয়েং ওইনা কন্না পায়খৎনরল্লিবা, মেগ্নেটিক লেভিটেসন ত্রেনসু পনবা য়াই। মখোয়শিংসি মপং ওইবা পোৎনা শাবা য়োৎচাবী শীজিন্নবা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি মহী ওইবা য়োৎচাবীসু পুথোকপা ঙল্লকপগী পাউ লাক্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী দিপার্টমেন্ট ওফ এনর্জিগী মখাদা লৈরিবা, লোরেন্স বর্ক্লি নেসনল লেবোরেটরি, শম্না 'বর্ক্লি লেব'' কী থিজিল্লুপ অমনা শেমদোক-শাদোল্লবা থ্রী দি প্রিন্টরগী মতেংনা মহী ওইবা য়োৎচাবী শাবা ঙম্লে হায়না হৌখিবা জুলাইগী ১৯দা 'সাইন্স' চেফোঙদা ফোঙদোরকখ্রে। মহীগী য়োৎচাবীসি, অতোপ্পা সেলশিংদা শোকহন্দনা, কেন্সর সেলশিংখক্তদা হীদাক থাবা ঙমহনগদবা খূৎশেমগী বেট্টরিশিং শাবদগীনা অকোয়বগী ফীভমগা চুননা মওং-মতৌ হোংদোক হোংজিন ঙমগদবা হায়বদি কোন্থোক-কোনশিন, থুপতোক-থুপচিন য়াবা মহীগী রোবোটশিং শাবনচিংবা হীরম কয়াদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মসাচুসেটসকী পোলিমর সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর অদুগা বর্ক্লি লেবতনা ভিজিটিং ফেকল্টি সাইন্টিষ্ট ওইনা লৈরিবা টোম রসেলনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না অসিগুম্বা মহীসু ওইবা য়োৎচাবীসু ওইবা পোৎসি মালেমগী মফম অমত্তদা পুথোকখিবা লৈত্রি। তৌবগীবুদি মতম খরখক্তগী য়োৎচাবী ওইবা ঙম্বা মহীদি হান্ননা পুথোকখ্রে অদুবু মতম পূম্বগী য়োৎচাবী ওইবা ঙম্বা মহীদি পুথোকখিদ্রি। অদুনা অসিগুম্বা মতম চূপ্পগী য়োৎচাবী ওইবা ঙম্বা মহীসি ইহান হান্না পুথোরকপসিনা, মেগ্নেটিক সোফ্ট মেট্টরদা অনৌবা সাইন্সকী মসা অমা লোংথোকহল্লগনি হায়না রসেলনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

হৌখিবা চহী তরেৎ চূপ্না, বর্ক্লি লেবকী মেটরিয়েলস সাইন্সেস দিভিজন্দা থ্রী দি প্রিন্টিং তৌবা য়াবা মহী ঙাক্তা ওইবা পোৎ অমা পুথোক্লবগীদমক চাংয়েংশিং পাঙথোক্তুনা লাকিখ। ফেরোফ্লুইদ হায়না খঙনবা, আইরন ওক্সাইদকী পার্টিকলশিং য়াওবা সোলুসনশিংসি য়োৎচাবী ওইবা ঙম্মী, অদুবু মসি অতোপ্পা য়োৎচাবী অমগা থম্মিন্নবা মতমখক্তদা য়োৎচাবী ওই, হায়বদি মসি মতম চূপ্পগী ওইনা য়োৎচাবী ওইহনবা ঙমদে। নোংমা, রসেল অমসুং বর্ক্লি লেবকী মেটরিয়েলস সাইন্সেস দিভিজন্দা গ্রেজুয়েট ষ্টুদেন্টস রিছার্সর অদুগা বৈজিং য়ুনিভর্সিটি ওফ কেমিকেল টেক্নোলোজিদনা ডোক্তরেল মহৈরোয় ওইনা লৈরিবা জুবো লিউগী ৱাখলদা অসুম্না খল্লকখি - করিগুম্বা মখোয়না ফেরোফ্লুইদশিংবু মতম চূপ্পগী য়োৎচাবী ওইহন্নবগীদমক করি তৌবা তাবগে? মসিগীদমক রসেল অমসুং লিউনা থ্রী দি প্রিন্টিং টেক্নেক শীজিন্নদুনা, নানোমিটর ২০ চাউবা আইরন ওক্সাইদকী নানোপার্টিকলশিং য়াওবা ফেরোফ্লুইদ সোলুসন অমদগী মিলিমিটর ১গী দ্রোপ্লেটশিং প্রিন্ট তৌনবা হোৎনরম্মী।

সর্ফেস কেমিষ্ট্রি অমসুং সেফিষ্টিকেটেদ এটোমিক ফোর্স মাইক্রোস্কোপী টেক্নিকশিং শীজিন্নদুনা য়েংবা মতমদা, 'ইন্টরফেসিএল জাম্মিং' হায়না খঙনবা মহী অনীগী মরক্তা লৈবা ইন্টরফেসতা নানোপার্টিকলশিংনা মপং-মানবা মকু অমা শেম্বা থেংনরম্মী। জাম্মিংসিনা মরম ওইদুনা, মীনা কৃক-কৃক ইন্ননা লৈবা অপিকপা কা অমগী ময়ায়দা ফক্লাং অমা খাজিল্লকপগী মতৌগুম্না, নানোপার্টিকলশিংদুনা দ্রোপ্লেটকী লৈমায়দা কৃক-কৃক ইন্ননা নপশিল্লক্লম্মী। মখোয়সিবু য়োৎচাবী ওইহন্নবগীদমক, সাইন্টিষ্টশিংনা সোলুসন্দা মেগ্নেটিক কোইল অমগা থম্মীন্নরম্মী। মখোয়না খল্লম্বগুম্না, কোইলদুনা আইরন ওক্সাইদকী নানোপার্টিকলশিংবু চিংশিল্লম্মী। অদুবু মখোয়না কোইলদু লৌথোকপা মতমদা ইথা থাজদবা মওং অমা থেংনরম্মী। জগোয় শাবগী মওংদা দ্রোপ্লেটশিংদুনা অমনা অমগী অকোয়বদা চৎলম্মী। অদুবু দ্রোপ্লেটশিংগী য়োৎচাবীগী মগুন্দি মাঙদনা লৈরম্মী।

পিক্কেরা, চাউগেরা, য়োৎচাবী পূম্নমক্কী নোর্থ পোল অমগা সাউথ পোল অমগা লৈ। ওন্ন-তৈনবা পোলশিংনা চিংশিন্নে, অদুগা মান্নবা পোলশিংনা ইন্থোক্নে। মেগ্নেটোমেত্রিগী মতেংনা দ্রোপ্লেট অমগা য়োৎচাবী অমগা থম্মিন্নবা মতমদা, দ্রোপ্লেটতা তাউদুনা লৈরিবা আইরন ওক্সাইদকী নানোপার্টিকল বিলিয়ন ৭০গী মনুংদগী বিলিয়ন অমনা দ্রোপ্লেটতুগী লৈমায়দা, নোর্থ-সাউথ পোলশিংদুনা চপ মান্নবা মায়কৈদা ওল্লদুনা, মপংগী য়োৎচাবী অমগুম্না নপশিন্দুনা লৈরম্মী, হায়বদি নপশিন্দুনা লৈরিবা দ্রোপ্লেটশিংদু য়োৎচাবী ওইরক্লম্মী। অদুগা লেমহৌরিবা নানোপার্টিকলশিং অদুনা দ্রোপ্লেটতুগী মনুংদা লৈহৌরম্মী। অদুবু নপশিন্দুনা লৈরিবা নানোপার্টিকলশিংনা য়োৎচাবী ওইরকপা মতমদা, মখোয়না দ্রোপ্লেট মনুংদা তাউদুনা লৈরিবা নানোপার্টিকলশিংদা মেগ্নেটিক ওরেন্টেসন্দু ত্রান্সফর তৌখিদুনা দ্রোপ্লেটকী শরুক পূম্নমক য়োৎচাবী ওইরক্লম্মী। মপং ওইবা য়োৎচাবী অমা থুগায়বদা তৌবগুম্না, দ্রোপ্লেট অমবু শরুক কয়া থোক্না থুগায়বদা থোরক্লিবা অপিকপা দ্রোপ্লেটশিংদুসু অদুম য়োৎচাবী ওইরম্মী।

য়োৎচাবী ওইরবা দ্রোপ্লেটশিংগী অঙকপা মগুনশিংগী মনুংদা হেন্না ঙক্লিবা অমদি অকোয়বগী ফীভমগী মতুং ইন্না য়োৎচাবীগী মগুন্দি মাঙদনা মখোয়গী মওং-মতৌ হোংবা ঙম্বসিনি। মখোয়না মার্বলগুম্না মতুম তারম্বদগী য়োৎচৈগুম্না মতুম তারকপা, পানকেক মাল্লকপা নৎত্রগা ওক্টোপস অমগী শক্তম ফাওবা লৌরকপা থেংনৈ হায়রি। দ্রোপ্লেটশিংসি মেগ্নেটিক মোদ অমসুং নোন-মেগ্নেটিক মোদতা থম্বসু য়াই। মখোয়বু মেগ্নেটিক মোদতা থম্বা মতমদা, মপান্দা লৈবা য়োৎচাবী অমনা মখোয়না লেং-ওৎপদু লাকশিনবা ঙম্মী হায়না রসেলনা ফোঙদোক্লি। লিউ অমসুং রসেলনা বর্ক্লি লেব অমসুং অতৈ নেসনেল লেবশিংদা, থাঙ থাদনা নৎত্রগা য়েত্তুম থিন্দনা মথৌ তারিবা সেল অমসুং টিস্যুশিংদা হীদাক পুহনখিবা ঙম্বা, লিকুইদ-প্রিন্টেদ অর্টিফিসিএল সেল নৎত্রগা নানো রোবোটকুম্বা থ্রি দি-প্রিন্টেদ মেগ্নেটিক লিকুইদকী ষ্ট্রকচরশিং শানবগীদমক থিজিনবগী থবকসি মখা চথনবগী পান্দম থল্লি। ●